HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



পুনেগী এসোসিএসন ওফ মণিপুরী দাইসপোরা (অমন্দ) গী ১৩শুবা এন্যুএল জেনরেল মীটিং কম কলচরেল প্রোগ্রামদা এম পি ডা. বিমোলনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা সোভিনিয়র অমা রিলিজ তৌখিবা

লৌশিং পূক্কে : দাইবেটিস মতৌ করম্না কন্ত্রোল তৌগদগে ... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ মণিপুরগী ৱেষ্টর্ন গেটতা কুকি-মারগী খুৱো!
ৱা খৎনবা হায়বসু লৈ ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ লমদমসিগী নুপীশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী...
কাশ্মিরগী কনষ্ট্রক্সন সাইট অমদা মিলিটেন্টশিংনা মীওই ৭ ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দনা সিনিয়র ৱিমেন ...

সী পি আই (এম) গী ২০শুবা কোন্থৌজম লোকল কনফরেন্সদা পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা শেঞ্জা থুমজা তৌদবা লৈঙাক অমগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা




Vol. 48, Issue No. 199 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 22, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### খালিষ্টানগী অন্দরগ্রাউন্দ লিদর গুরপটৱান্টকী অকনবা ৱার্নিং

## নবেম্বর ১দগী ১৯গী মনুংদা এটেক চত্থগদবনা পেসেঞ্জরশিংনা 'এয়র ইন্দিয়া' তোংলোইদবনি

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সী) :** 'শিখস ফোর জষ্টিস' (এস এফ জে) গী ফাউন্দর অমা ওইবদা নত্তনা হৌজিক যুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কানাদা লৈবাক অনীগী দ্বেল সিটিজেনশিপকী অয়াবা পায়রিবা খালিষ্টানগী অন্দরগ্রাউন্দ লিদর গুরপটৱান্ট সিংহ পান্নুননা লৈবাক অসিদা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা ফ্লাইট এজেন্সীশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা ওইরিবা 'এয়র ইন্দিয়া' দা এটেক চত্থগদবনা মথং থাগী ১দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা পেসেঞ্জর অমত্তনা হায়রিবা ফ্লাইট অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরোইদবনি হায়বগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

ৱাফম অসিগা লোয়ননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবনি হায়বা ৱাফমদা মথং থাগী ১দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইটশিংদা এটেক চত্থগদৌরিবা অসি শিখশিংদা চত্থখিবা জিনোসাইদকী চহী ৪০ শুরকপা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা চত্থগবনি হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোরক্লিবা খ্বাইদগী নৌবা কিহন-খংহনবগী ৱাফম অসি হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা লৈবাক অসিদা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরক্লিবা তোঙান-তোঙানবা এয়রলাইনশিংদা বোম থল্লে হায়দুনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মরক্তনি। অদুম ওইনমক এয়রলাইনশিংদা বোম থল্লে হায়বগী টেলিফোন কোলশিং অদুগী মতুংইন্না মরী লৈনবা ওথোরিটিনা চত্থখিবা থিজিন-হুমজিনবগী থবকশিংদদি কিহন-খংহল্লকখিবা ৱাফমশিং অদু লোইনমক শেমজিন-শাজিনবা ওইরমখিবনি।

গুরপটৱান্ট সিংহ পান্নুননা অতম্না এয়র ইন্দিয়াদা টার্গেট তৌরদুনা অকক্লবা মতম ফাওবা পীরগা এয়রলাইন অসিদা পেসেঞ্জরশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌরোইদবনি হায়দুনা খঙহল্লক্লিবসি কনাদানা হরদিপ সিংহ নিজার হাৎখিবা য়াওনা কনাদাদা লৈবা খালিষ্টানগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২




## এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯না প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা বি জে পিগী প্রসিদেন্টদা হান্না পীশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :**

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা খুৎমারক্তুনা থা অসিগী ১৫দা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসতা মণিপুরগা নাগা, কুকি অমদি মীতৈ এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী মীহুৎ খরগা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিং অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা অনীগা তোঙান-তোঙান্না মীফম পাঙথোকখ্রবসু মণিপুরগী ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্লুবনি হায়বা মীফম অদুগী মতুংদা এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯না প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়বদগী মখা তাবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্ল রক্লিঙৈগী চৈরক্তা এম এল এ-মিনিষ্টরশিং অসিনা মমাঙ থাগী ২০দা পূন্না লমায় ৬ পানবা অইবা চেরোল অমা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাদা পীশিল্লম্লে হায়রি।

মণিপুরগী রুল্লিংদা য়াওরিবা এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯না বি জে পিগী প্রসিদেন্টদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়বগী ৱাফম ঙসি নুমিদাংৱাইরম খক্তদা সোসল মীদিয়াগী তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা ভাইরেল ওইরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী লোকল ন্যুজ এজেন্সী খরনা ফাওবা রিপোর্ট তৌনরকখি। পীশিনখি হায়রিবা পূন্না লমায় ৬ পানবা চেরোল অদুগী মনুংদগী অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা লমায়শিং ফাওবা সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌনরকখি।

চেরোল অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রত, মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং যুম্নাম খেমচান্দনা মথং-মনাও নাইনা খুৎয়েক পীবা য়াওবা লমায় অমসু সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদা য়াওরকখি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা লৈঙাক্না ভাইওলেন্স অসি লেপহন্নবগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্স লিশীং কয়া দিপ্লোই তৌদুনা হোৎনরক্লবসু কম্যুনিটি অনীগী মরক্তগী থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবগী খুদম ফংদবগা লোয়ননা মণিপুরগী এঠনিক ক্লাশ অসি মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা চত্থরক্লি হায়নসু চেরোল অদুগী অহানবা লমায়দা ফোঙদোক্লি।

অদুগা অনীশুবা লমায়দনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না ঐখোয়দা মরু ওইনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভম পুরকপা করিগী ঙমদ্রিবনো হায়বগী ৱাহংশিং হংনরক্লে হায়বগা লোয়ননা মীয়ামগী মায়কৈদগী করিগুম্বা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রবদি এম এল এশিং রিজাইন তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লে হায়না পল্লি।

অদুগা চেরোল অসিগী অহুমশুবা লমায়দনা থা ১৮ মপূং ফাজিল্লক্লবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক অথুবা মতমদা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎতুনা মণিপুর কন্নবগীদমক ষ্টেকহোল্ডর পুম্ন মক্কা পিছ দাইলোগ তৌনবগীদমক থবক পায়খৎপীয়ু হায়জখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৫দা প্রাইম মিনিষ্টরদসু অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়রিবদুগা বি জে পিগী প্রসিদেন্টদা পীশিনখিবা অসিগা অমত্তা ওইব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি। অদুগা ঙসি অথেংবা ফাওবদা চেরোল অনীমক্কা মরী লৈনবা পাউখুম অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রি।

## 'হিন্দুত্বা' হায়বা ৱাহৈসিবু 'ভারতিয়া সম্বিধানত্বা' না মহুৎ শিনবীয়ু হায়জরকখিবা ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সী) :**

লৈবাক অসিদা চহী খরগী মমাঙদগী পুথোক্তুনা শীজিন্নরক্লিবা 'হিন্দুত্বা' হায়বা ৱাহৈ অসিবু 'ভারতিয়া সম্বিধানত্বা' (ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন) হায়বা ৱাহৈনা মহুৎ শিলহনবীয়ু হায়জরকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লুচিংবা বেঞ্চ অমনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

পিটিসন অসি ডা. এস এন কুন্দ্রা কৌবা এদভোকেট অমনা মশামক্না পিটিস্নরসু ওইদুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিদা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা বেঞ্চ অসিবু লুচিংলিবা চীফ জষ্টিসনা প্রেয়র অসিমক ঐখোয়না খন্নগদবা নত্তে হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখিবনি। প্রেয়র অসি কোর্টতা ফাইল তৌরকপগী মহুত্তা 'লেজিসলেটিভ দিবেট' ওইনা পাঙথোকপনা চুমগনি হায়বা ওবজর্ভেসনসু কোর্টনা থমখি। বেঞ্চ অসিদা জষ্টিস জে বি পার্দিয়াৱালা অমসুং মনোজ মিশ্রা য়াওখি।

## দিসএবল্ড কেন্দিদেট ২বু ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসনগী এগজাম থাহন্দবগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি : এসোসিএসন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** দিসএবল্ড কেন্দিদেট অনীনা ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন (এস এস সী) না লৌবা মল্টিটাস্কিং ষ্টাফ লৌনবগী এগজামিনেসনদা শরুক য়াবা চৎপদা এগজাম অসিদা য়াওহল্লক্তবগী থৌওং অসি দিসএবল্ড কেন্দিদেটশিংবু হন্থনা য়েংবনি হায়না লৌই অমসুং থৌওং অসিগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না দিসএবল্ড দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, মণিপুরগী ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম বুধিনন্দনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, চঙাঙ্গৈ উচেকোনদা লৈবা মার্ক একাদেমিদা এগজামিনেসন সেন্টর ওইখিবগা লোয়ননা এগজাম অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯দগী হৌখিবনি



অদুবু দিসএবল্ড কেন্দিদেট ওইখিবা এম য়ুদা এম এ পোলিটিকেল সাইন্সতা অহানবা সেমিষ্টরদা তন্নিবা খ্বাইরাকপম জয়কুমার অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিলিফ কেম্পকী মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসনল মেটরিএলশিং য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১(ঐচ এন এস) :** ৱান কন্সিয়সনেস ফাউন্দেসননা থাউ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা মণিপুর পিছ কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা লাইরিক লাইশুগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

নন প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ফাউন্দেসন অসিনা ইং তপ্পা অমসুং মীনুংশিদা যুম্ফম ওইদুনা পীক্লিবা মহৈরোয়শিংদগী ক্লাস টুয়েলব ফাওবগী থাক্তা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা লাইরিক লাইশু তম্বদা চঙবা পোৎলমশিং ঙসি য়েন্থোকখিবনি।

ফাউন্দেসন অসিনা পায়খৎলিবা থবকশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নোর্থ ইষ্টকী নেসনল হায়ৱে প্রোজেক্টশিংগী রিভিয়ু মীটিংদা চীফ মিনিষ্টর শরুক য়াখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** ন্যু দেল্লীদা যুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গদকারিনা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী নেসনল হায়ৱে প্রোজেক্টশিংগী রিভিয়ু মীটিংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন শরুক য়াখ্রে।

মীফম অসিদা যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটশিং- অজয় তমতা, হর্শ




মলহোত্রাসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ৱার্ক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং অতৈ ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা অথুবা মতমদা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন শীনবা থুংনা মখা তানা লম্বী থোংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহন্নবগীদমক অনৌবা প্রোজেক্টশিং লাউথোরক্লগনি হায়খি।

## ককচীং অমসুং ৱাবগাই লমখাইগী মরক্তা পূখ্রি ওল্লবা লম্বীদা গাড়ী পুখরে

### ককচীং লমখাইদগী ৱাবগাই লমখাই ফাওবগী লম্বী লৈঙাক্না ওক্টোবর ২৭ ফাওবদা শেমজিন্দ্রবদি মথংগী নুমিৎতগী বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি : এ কে সী সী সী

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** এন ঐচ-১৩৭ (এ) গী মনুং চন্না ৱাবগাইদগী ককচীং ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বী অসি মতম শাংনা শেমজিনবীরক্তবদগী



পূখ্রি ওল্লক্তুনা হিয়াংলম-ৱাবগাই লমখাই কৈথেল মনাক্তা ঈশিং পুরকপা গাড়ী অমা লম্বী ময়ায়দা পুখখ্রে। গাড়ী অদুনা পূখ্রি ওল্লবা লম্বী ময়ায়দা পুখদুনা লৈবদগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপদগী ত্রেক্টর শীজিন্নদুনা গাড়ী অদুবু চিংখৎখ্রে।

লম্বী মতেক অসি লৈঙাক্তা শেমজিনবীনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জখ্রবসু শেন্বীদবনা মরম ওইরগা অথুবা মতমদা শেমজিনবীদ্রবদি লম্বী অসি থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ৱাবগাই এরিয়াগী ক্লবশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা সিটিজেন্স এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভেলপমেন্ট (সী এ আর দি), ৱাবগাইগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম কেশোরজিৎনা থা অসিগী ১৯দা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি। অদুম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ববিনা হোস্পিটালদা ফ্রী এন্দোক্রাইম অমসুং দাইএবেটিসকী ও পি দি কেম্প হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ফ্রী এন্দোক্রাইম অমসুং দাইএবেটিসকী ও পি দিগী কেম্প অমা ঙসি ববিনা হোস্পিটালদা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৩ ফাওবা চত্থগদবা কেম্প অসিনা দাইএবেটিস, থাইরোইদ দিসওর্দর অমদি এন্দোক্রাইম কন্দিসনশিংগা মরী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## যুথ কোংগ্রেসকী মেম্বরশিপ এনরোলমেন্টকী থৌরম হৌদোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী) গী মখাদা ইন্দিয়ন যুথ কোংগ্রেসকী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কম্মিসননা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী মখাদা ষ্টেট অসিগী যুথ কোংগ্রেসকী মেম্বরশিপ এনরোলমেন্ট হৌবগী থৌরম হৌদোকখ্রে।

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা থৌরমসি হৌদোক্লদুনা চাওখৎপা লৈবাক ওইনবা হোৎনবদা নহারোলশিংগী থৌদাং চাউবনা অফবা-অওনবা লৈবাক অমা পুরক্লবগী পান্দমদা থেঙ্খাং নাইনা লাক্তুনা মণিপুরগী যুথ কোংগ্রেসকী মেম্বরশিপ ওইনবা এনরোলমেন্ট তৌবগী থবক হৌদোকপনি হায়রি।

চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক মণিপুরগী নহাশিং অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না ঙসিগী যুথ কোংগ্রেসকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লোক্লাওবুংদা য়ূম অমা মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ তারকপদা ইম্ফাল পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা মোইরাংখোম মখা লোক্লাওবুংদা লৈবা মাইস্নাম রোবিন্দ্রো (৭৩) কৌবা অহল অমগী য়ূম মৈ চাকপদগী ফায়র সর্ভিসকী এস ও খুমুকচম সতিস লুৱাংনা লুচিংবা ফায়রমেন ১২না ফায়র টেন্দর অনী অমসুং বোলেরো ফোম য়াওনা চঙশিল্লক্তুনা মৈ মুথৎনবা হোৎনখি।

মৈ চাক্তুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা চার্জ তৌদুনা থম্বা মোবাইল হেন্দসেট অমসু য়াওরম্বনা মসিগী থৌদোক অসি চার্জ তৌরিবা মোবাইল হেন্দসেট অদু পোকখায়রকপদগী ওইরমগনি থাজনরি। থৌদোক অসিদা মী অমত্তা অশোক অপন য়াওহৌদ্রবসু ইমুংগী পোৎ চৈ অমদি ফিরোলশিংদি মৈনা চাকখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ককচীং ১সুং থৌবালদা পুলিস কম্মেমোরেসন দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা পুলিস পর্সনেল ৩১গী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :**

অদুঙৈ কুমজা ১৯৫৯গী ঙসিগী নুমিৎ (ওক্টোবর ২১) দা চাইনিজ ত্রুপশিংনা লদাখতা ইন্দিয়ন পুলিস পর্সনেলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা অমদি গ্রেনেদ লংশিল্লক্তুনা চত্থরকখিবা এটেকতা লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা পুলিস পর্সনেল ১০না থৱায় কৎখিবা থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোরক্লিবা পুলিস কম্মেমোরেসন দেগী থৌরম ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।




ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম ১সুং থৌবালগী থৌরমদনা পুলিস পর্সনেলশিংনা মশা-মশাগী ঈ পীখিবা

ঙসিগী থৌরমদা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস পর্সনেল ৭- ককচীং মোইরাংথেম লৈকায়দগী ময়াংলম্বম চাউবা (দেপ্যুটি এস পি) অপোকপা এম রোসোরাজ, কৈরক মমাঙ লৈকায়দগী হুইনিংশুংবম লুখোই (রাইফলমেন) অপোকপা ঐচ তোমচৌ, ককচীং ময়ায় লৈকায় য়াইখোম পরেংদগী নাওরেম কেসো (কন্সটেবল) অপোকপা এন অচৌ, শুগুনু ময়ায় লৈকায়দগী সাপম রাজকুমার (কন্সটেবল) অপোকপা এস নবকুমার, থৌনাওজম মমাঙ লৈকায়দগী চোংথাম রিসিকান্ত অপোকপী সী ঐচ শান্তি, টেজপুর মখা লৈকায়দগী মাইবম কান্তকুমার অপোকপা এম লুখোই, ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

HL-P/1556/22

